ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

মাইবম লোৎপা চীংদা লৈবা ম্যুজিয়মদা মণিপুর টুরিজম ফোরম অমসুং সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার ইম্ফাল কেম্প ফোরমনা পূন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ইম্ফাল পিছ ম্যুজিয়মগী ৩শুবা কুমওনদা গভর্ণরনা শরুক য়াবা

লম্বী শেম্বীদবগী উচাথোল লম্লোং কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে
☛ লামায় ২

মপান্দা তমগদবা মহৈরোয়শিংগী কাউন্সেল্লিং পাঙথোক্লগনি
☛ লামায় ৩

শৈরেং থিবা অমদি ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমগা লোয়ননা ৱর্ল্ড ম্যুজিক দে...
☛ লামায় ৫

‘অৱা চীংদা লম্বী শেম্বা খক্তনা য়েলহৌমীশিং কনবা ঙম্লোই’
☛ লামায় ৬

কংলাতোংবীগী ওলিভিয়া হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী এম আই এল সবজেক্ট অহুমদা টোপ্পর ওইরকখিবা মহৈরোয়শিংবু মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা শেলগী মনা পীখিবা

Vol. 46, Issue No. 088 | শগোলশেন, ইঙাগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, June 23, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

য়ু জি ৪ ফারে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসগী টিম অমনা লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী সওমবুং গেটতা লম্বীদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা প্রিপাককী কাদর ৪ ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৮ লোম তাবা মতমদা সওমবুং গেট এরিয়াদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

মোদিবু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) : ঝরখণ্ডগী গভর্ণর ওইরম্বী দ্রৌবদি মুরমুবু মথং থাদা পাঙথোক্লগদবা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা বি জে পিগী মীরেপ ওইহল্লকপগীদমক বি জে পি এস টি মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট লানজাইগাই কামৈনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দাবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

কানি ফারে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) : বিষ্ণুপুর কম্যান্দোনা নম্বোল পি এসকী টিমগা খুৎশম্নদুনা ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.২০ রোম তারকপদা লৈত্রাম ৱারোইচীং আউট পোষ্ট মনাক্তগী এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট ৱিটনেসশিংগী মমাঙদা মীওই ২দগী কানি কিলোগ্রাম ৩.৩ ফারে হায়রি।

কানিগা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

নৈলিটকী ত্রেনিং

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) : মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী ওটোনোমস সাইন্টিফিক সোসাইটি অমা ওইরিবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (নৈলিট), ইম্ফালনা টাটা কন্সলটেটিভ সর্ভিসেস (টি সী এস) গা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

প্রিলিমস রিজল্ট

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) : য়ু পি এস সীনা লৌদুনা থা অসিগী ৫দা পাঙথোকখিবা সিভিল সর্ভিসেস (প্রিলিমিনরি) এগজামিনেসন, ২০২২গী রিজল্ট লাউথোকখ্রে। মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংনা সিভিল সর্ভিসেস (মেন) এগজামিনেসন ২০২২দা শরুক য়াবা য়ারগনি হায়বগা লোয়নননা অকুপ্পা মরোলশিং কম্মিসনগী ৱেবসাইটতা লাউথোক্লনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

HL Poll

Q : Yelhoumee khandokpagi base year 1961 oihannaba cabinetna warep loukhribasi pumnamakna ayaba pirakkani thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Lam khopchinbasing takthokpada leingakna michang meekhai naidaba chumgani hainaraklibasi achumba oigadra?

Yes 83% No 17%

অস! লোইরেহে!

- ইবেন্মা নঙবু নশা ফনবা ৱাকিং চৎলুনে।
- ꯏꯕꯦꯟꯃꯥ ꯅꯉꯕꯨ ꯅꯁꯥ ꯐꯅꯕꯥ ꯋꯥꯀꯤꯡ ꯆꯠꯂꯨꯅꯦ꯫



- ঈশা অসুক ফরিসিদি, ইমা।
- ꯏꯁꯥ ꯑꯁꯨꯛ ꯐꯔꯤꯁꯤꯗꯤ, ꯏꯃꯥ꯫

ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈগী য়ূম্বী অমসুং শম্বলগী ৱাথোক

য়ু সী এমগী খোঙজং হেন্না কনশিল্লক্লি থৌমী ১গা পাউমী ১গা শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) : ম্যান্মারগা তাইনবা মণিপুরগী ঙমখৈ পরিংগী অরানবা লমখৈদা খাজিল্লক্লিবা শম্বলগী মতাংদা লৈঙাক্কা শম্বল খাজিনফম থোকপা অচুম্বা অশেংবা লমখৈ পুথোকউ অদুগা হায়রিবা থবক অসি পাঙথোক্লিঙৈগী মমাঙদা শম্বল খাজিনবগী থবক লেপহনবগা লোয়নননা ঙমখৈ পরিংদা য়ুংলিবা ঙমখৈ য়ূম্নীশিংগী মনুংদা চয়েৎনবা য়াওরিবশিংগীসু ৱারোইশিন পুরক্লবা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) না মাঙজৌননা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মতম লৈঙাক্তা পীখ্রবসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং পাঙথোরক্তে হায়দুনা ঙরাংদগী মহৈরোয়শিং য়াওনা লূপ কয়াগী মীয়ামগা লোয়নননা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগী ঙসি নীনি চল্লকপদসু লমলোং কৈথেলদা মখা তানা খোঙজং চঙশিল্লকপদা পুলিসনা তানখায়দুনা লাকশিন্নবা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপ্পদা য়ু সী এমগী থৌমী অমা অমসুং পাউমী অমা য়াওনা মীওই অনী শোক্তুনা জেনিমসতা লায়কন্নখ্রে।

ঙসিগী থৌদোক অদুদা পুলিসনা কাপ্পা টিয়র গ্যাস সেল পোকখায়রকপদগী পানবদগী শোক্লবা য়ু সী এমগী থৌমী অদুগী মমিং সোইবম অনিল কৌই। মহাক কম্মিটি অসিগী দিষ্ট্রিক্ট এফেয়রস সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুবনি হায়রি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

অফঘানিষ্টানদা য়ুহা হাবদা মীওই ১০০০ রোম শিরে, ১৫০০ রোম শোক্লে

কাবুল, জুন ২২ (এজেন্সী) : অফঘানিষ্টানগী লোকল টাইমদা ঙরাং নুমিদাংগা ঙসি অয়ুক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০ রোম তারকপদা লৈবাক অসিগী খোষ্টকী সাউথ-ইষ্টর্ন সিটিদগী কিলোমিটর ৪৪ রোম লাপ্পনা লৈবা পাক্তিকা প্রোভিন্সকী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা মফমশিংদা মেগ্নিচ্যুদ ৬.১ য়ৌনা হাখিবা য়ুহানা মরম ওইরদুনা লৈবাক্লা লৈরং তাদুনা শাবা য়ূম অয়াম্বা তেকপগা লোয়নননা কিন্থদুনা অকায় অতোয় থোকপদগী প্রোভিন্স অসিগী মনুংদা লৈবা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই ১০০০ রোম শিরে অদুগা ১৫০০ রোম্না অশোক অপন নংলে হায়রি।

থৌদোক অসিদা শিরবা অমসুং শোক্লবা মীওইশিংগী মশীং অসি টালিবান ওফিসল অমনা বি বি সীদা ফোঙদোকখিবনি। লোয়নননা থৌদোক অসিগী অকায় অতোয় মরক্তা মী কনবগী থবক চত্থরিবনা মসিনা শিহনবা মীওইশিংগী মশীং হেনগৎলকখিবা য়ারি হায়রি।

টালিবান লুচিংবা হিবাতুল্লা অখুন্দজদানা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহী ২০ লোমগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

‘য়েলহৌমী’ খন্দোকপগী বেজ য়র ১৯৬১ ওইহন্নবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) : হৌজিক্লা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) হায়না অমত্তা ওইনা পূনশিনখ্রবসু মতম অমদা এমসু অমসুং এমস্কোক হায়না অনী থোক্লা লৈরিঙৈগী মতমদগী মণিপুরদগী মীতোপ খন্দোকপগী চহীগী পাদম কুমজা ১৯৫১ ওইগদবনি হায়দুনা দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবগা লোয়নননা দিমান্দ অসিমক জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম (জে সী আই এল পি এস) নসু তান্দুনা লাকখ্রবসু ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ময়ায় তাংবল লৌদুনা মহাক্কী সেক্রেটরিএটকী কেবিনেট হোলদা পাঙথোকখিবা লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফমনা মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম (আই এল পি) গীদমক য়েলহৌমী অমসুং মীতোপশিং খন্দোক্লবগী বেজ য়র ১৯৬১ ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফমনা মণিপুরগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং য়াওনা মহৈরোয়শিংগী লূপ কয়ানা মীতোপ/য়েলহৌমী খন্দোকপগী বেজ য়র (কট ওফ য়র) বু কুমজা ১৯৫১ ওইহনগদবনি হায়দুনা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা তকশিন্দুনা লাক্লবসু ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপশিং

- আই এম সী য়াওনা অর্বান বোদি ২৭কী মীখল সেপ্টেম্বরগী অরোইবা চয়োলদা পাঙথোক্লগনি
- ফাওগাকচাও (ঈখাই) পুলিস ষ্টেসনগী জ্যুরিসদিক্সনদা খুল ১০ হাপচিনখ্রে
- ষ্টেট প্লান্নিং ওথোরিটিগী অয়াবা লৌরগা এম টি সী পি এক্টকী মখাদা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৬কী লমশিং শীজিন্নগনি
- জেনিমসকী ঈ এন টি দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর অনীগী পোষ্ট ক্রিএসন তৌরগনি
- চুড়াচান্দপুর মেদিকেল কোলেজগী নন-টিচিং পোষ্টশিং শেমদুনা মেনশিল্লগনি

কোংগ্রেসনা ঙসিদগী বি জে পিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লগনি

ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা ফাওবা ঙমখৈদা শম্বল খাবগী থবক লেপহনগদবনি ঃ এন ভুপেন্দ্র

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি) না কোংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবী সোনিয়া গান্ধি অমদি লুচিংবা রাহুল গান্ধিবু মখোয়গী মথক্তা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসকী এফ আই আর কোপি অমত্তা য়াওদনা হঞ্জিন-হঞ্জিন কৌরিবা অসিনা তাক্লিবদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্টরগী লৈঙাক অসিনা মখোয়না য়াদবা মীশিংবু পোলিটিকেল ভর্দিক পীদুনা নমহৎতুনা লৈঙাক পায়রি হায়বা তাকপনি। মসিগীদমক মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) না হয়েংদগী হৌরদুনা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনবা হৌরগনি হায়না এম পি সী সীগী সিনিয়র স্পোক্সপর্সন নিঙোম্থম ভুপেন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল বি টি রোদ মনাক্তা লৈবা কোংগ্রেস ভবনদা

পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা এন ভুপেন্দ্রনা মখা তানা হায়, বি জে পিগী লৈঙাক ...মখা লামায় ৩ কলম ২

মাইবম লোৎপা চীংগী লানফম ৱার হেরিটেজ সাইট ওইনা মালেমদা খঙহনগদবনি ঃ গভর্ণর

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) : মণিপুর পোটেন্সিএল য়াম্না লৈবা মফম অমা ওইবগী মথক্তা টুরিজম সেক্টর ওইবা য়াবা মফমশিং হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্দুনা ষ্টেট অসিবু মাঙজিল থাবা লমদম অমা ওইহনবা ঙম্নবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়না গভর্ণর লা গনেসননা ঙসি ইম্ফাল পিছ ম্যুজিয়ম লিংখৎখিবগী মাইবম লোৎপা চীংদা লৈরিবা ম্যুজিয়ম অসিদা পাঙথোকখিবা অহুম্লক শুবা কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখ্রে।

গভর্ণরনা মখা তানা হায়, মীওইবা খুন্নাইদা লান তৌবনা থোইদোক্লা কান্নবা লৈতে। খৎন-চৈনবগী মহুত্তা তংদু লৈতানা অমগা অমগা য়াম্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা/হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোনগা মরী লৈনবা পাউজেল পুদুনা মালেমদা শন্দোকপনা অফবা থবক ওইগনি হায়খি। ইম্ফাল অমসুং জপানগী মরী হেন্না ফগৎহল্লক্তুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা অচেৎপা মরী থম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

ইম্ফাল পিছ ম্যুজিয়মগী ৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা থোকখিবা লানফমশিংগী মনুংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোলগী মাইবম লোৎপা চীংদা থোকখিবা লানফম অসিসু য়াম্না মরু ওইবা লানফম অমনি হায়খি। মফম অসি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মরী লৈনবা হেরিটেজ সাইট অমা ওইহন্দুনা মীয়াম পুম্নমক্তা খঙহল্লবদি মণিপুরগী টুরিজম সেক্টর হেন্না চাওখৎহল্লক্তুনা শেন্মীৎলোন্দগী ফীভমসু ফগৎহনবদা মতেং পাংগনি হায়খি।

লানফম অসিগীদমক মণিপুর টুরিজম ফোরমনা পিছ ম্যুজিয়ম হাংদোক্তুনা লিংখৎলকপগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মফম অসিদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

‘তম্পাক্কী য়েক সলাই চাশিংগীদমক চীংগী ময়াম্বা ঐখোয় লৈরি’

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): তম্পাক্তা লৈরিবা য়েক সলাই লৈবা য়েলহৌমীশিংগীদমক চীংগী য়েলহৌ ফুরুপশিংনা চপ চানা লেপকনি, ঐখোয় খাইনবা য়াদ্রবা ইচিন ইনাওনি, ইমা অমত্তগী মচানি হায়না সেনাপতিগী পৌমৈ লুচিংবা সাইলাস পৌমৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙরাং কবো ৱাকচীং কম্যুনিটি হোল (নম্বোল) দা পাঙথোকখিবা ‘নো য়োর আইদেন্টিটি’ হায়বা নোংমগী ওইবা এৱেয়র্নেস কেম্পদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ডা. খোমদোনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লোয়নননা থৌরম অদুদা ফেদরেসন ওফ হাওমি অমদি দিভেলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন, য়ুনাইটেদ ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসন নম্বোলনা শীনমিন্নবা থৌরমদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি সী এস ওশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

মীফম অদুনা ঙসি ঙসিমক মণিপুরদা শৈদাংদুনা লৈরিবশিংনা ইরমদমসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী দ্রগশিং পুশিল্লকপা অমদি দ্রগকী ফেক্টরি ফাওবা লিংখৎতুনা মালেমদা ইরমদমসিগী মীংচৎ লৈখা তানা চিংথরি। নাকল অমদা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংনা তোঙান তোঙানবা লম্বীদা মণিপুরগী মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনরি। মসিদা ঐখোয়না করম্বা মখলগী থৌদাং লৌমিন্নগনি হায়না খন্ন-নৈনখি হায়রি। মীফম অদুনা চীং অমদি তম্পাক্কী লমদা মীতোপশিংদা লম মখা তানা য়োন্দবা অমদি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

মণিপুরদা থবক ফংদবা নর্স অমত্তা লৈররোই ঃ ডা. রাজো

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) : নর্স কয়া লৌনবগী থবক পাঙথোক্লগদবনা মখোয়না এ এন এম নৎত্রগা জি এন এম ওইরবসু মণিপুরদা থবক ফংদবা নর্স অমত্তা লৈররোই হায়না ঙসি ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা ফিমেল হেল্থ ৱার্করস ত্রেনিং স্কুল ইম্ফালগী ২০শুবা এ এন এম/এফ ঐচ দল্লিয়ুগী নর্সশিংগী কেপ্পিং অমসুং লেম্প লাইটিংগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজেনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা মহাক্লা হায়, হৌজিক্তি মণিপুরগী নর্সিং মেনেজমেন্ট সিষ্টম অসি হৌখিবা চহী খরা অসিদা শীংথানবা য়ানা ফগৎলক্লে। অদুগা এ এন এমনা চলাইবা সব সেন্টর ৪২৪ লৈরে হায়খি।

লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা নর্সিংগীদমক দিরেক্টর অমা হাপ্পীনবা প্রপোজেল তৌখিবগা লোয়নননা মহাক্কী লোয়শঙগী মায়কৈদগীসু নর্স মশীং য়াম্না রিক্রুট তৌনবা হায়খ্রবনিনা হৌজিক্তি মণিপুরদা থবক ফংদবা নর্সশিং লৈররোই হায়খি। অদুগা মালেমগী লৈবাকশিংদা মণিপুরগী নর্সশিংবু পাম্বগী দিমান্দ য়াম্না ৱাংলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়নননা ষ্টেট অসিদা মায়োক্লখিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকতা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লররবসু নর্সশিংনা কথোকপগা লোয়নননা অচৌবা থৌদাং লৌখিবগীদমকসু মহাক্লা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

লৈঙাক্কা য়ানবা পুরকপদগী ননাওগী হকচাং লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) : মমাঙ থাগী ২গী অয়ুক্তা ইম্ফাল পি এসকী সব ইন্সপেক্টর থোকচোম জিটেন্দ্রো অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ গোপাল, হৈনৌখোঙনেম্বী থোকচোম লৈকায়দা লৈবনা লুচিংবা পুলিস টিম অমনা শগোলবন্দ কাঙবম লৈকায়দা লৈবা অরাম্বম ননাও (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ ধনঞ্জয়বু ফাদুনা পুখ্রগা মখোয়গী কষ্টদি মনুংদা লৈখিদবা থৌদোক্কী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীগা লৈঙাক্কগী মরক্তা য়ানবা পুরকপদগী নুমিৎ অদুদগী রিমসকী মীরেনশঙদা থল্লকখিবা ননাওগী হকচাং ঙসি লৌরগা হৌনবী মতুংইন্না মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।

লৈঙাক্কা য়ানবা পুরকপগী মতাংদা জে এ সীগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা থা অসিগী ১৯দা চীফ মিনিষ্টরগা থৌদোক অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা শানখিবা ৱারীদা লৈখিদ্রবা ননাওগী লোয়নবীদা মহাক্কী মহৈগী থাক্কা চান্নবা থবক অমা পীবা অমসুং মহাক্কী মচাশিংবু সেন্ট্রেল স্কুলদা তমহনবগা লোয়নননা থৌদোক অসিদা চেন্নবা সব ইন্সপেক্টর থোকচোম জিটেন্দ্রোবুনা মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক পীবা হায়বা ৱাফমশিংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

মিনিষ্টর অৱাংবৌনা টোপ্পর মহৈরোয়শিংদা শেলগী মনা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) : ঙসি কংলাতোংবীগী ওলিভিয়া হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা এগজামিনেসনদা মার্কৱাংনা ফংলকখিবা মহৈরোয়শিংবু ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ৱাটর রিসোর্সেস অমসুং রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা অকক্লবা সবজেক্টশিংদা টোপ্পর ওইরকখিবা মহৈরোয়শিংদা শেলগী মনা পীবগা লোয়নননা হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসিগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক শেলগী তেংবাঙসু খুৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মিনিষ্টরনা মহৈরোয়শিংনা হন্দক্তা কোসেমনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা হায়র সেকেন্দরি লিভিং সর্টিফিকেট একজামিনেসনগী রিজল্ট লাউথোকখিবদা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা এম আই এল সবজেক্টশিং ওইরিবা থাদৌ কুকি, লিয়াংমাই অমসুং নেপালি সবজেক্টতা টোপ্পর ওইরকপা মহৈরোয়শিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহৈরোয়শিংনা মখা তানসু স্কুল অসিগী মীংচৎ পুরক্লবা মহৈ মশীনদা পূক্নিং চঙগদবনি হায়খি। থৌরম অদুদা সেনাপতিগী এদিসনেল এস পি এম এল কাইসুংবৌসু শরুক য়াখি।

মণিপুরগী ইয়োং ফিগা মান্নবা মপান্দগী পুশিল্লকপা পোখোকশিং খুদক্তগী অথিংবা থম্লে ঃ মহৈরোয় লূপ ৬

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) : ঙসিগী মণিপুরগী ওইরিবা শেন্মীৎলোনগী ফীভম অসি অসুক্কী মতি শোকচিনখ্রে। কুমজা ২০২১-২২গী বডজেটকী চাদা ১২ খক্তমক ষ্টেটকী ইনকম ওইখি। মসিনা তাক্লিবদি ঐখোয়গী শেল থুমগী ফীভম অসি চাদা ৮৮দি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মপান তাংলে হায়বনি। মীগী মতেং য়াওদ্রবদি লৈঙাক ওইনা পানবা, খুন্নাই ওইনা লিংবা ঙমদ্রে হায়বনি। শেন্মীৎলোন্দা ক্রিটিকেল দিপেন্দেন্সকী থাক হায়বদি খম থেংনা মীপাল তাংলে, খম থেংনা মীখা পোনবগী থাক য়ৌরে হায়না মহৈরোয়শিংগী লূপশিং ওইরিবা এইমস, এমসু, দেসাম, কে এস এ, এম এস এফ অমসুং সুককী প্রসিদেন্টশিংনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়াদা তিনদ্রিঙৈদা শেন্মীৎলোন্দা মরোমদোম লেপচদুনা চহী চা কয়া পাল্লকখিবা মণিপুরনা মতৌ করম্না ঙসি ইন্দিয়াদা তিল্লুবা চহী ৭৩গী মতুংদা শেন্মীৎলোন্দা মীপান তাংদ্রবদি হিংবা ঙমদ্রবা লৈবাক অমা ওইরক্লিবনো অমদি মসিগী খুদোংথিবনা করিনো হায়বা ৱাহংশিংসিগী পাউখুম ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না থিহৌদ্রবদি লৈবাকসিগী ফুরুপচাশিংগী তুংগী লাইবক অসি মালেমগী লৈমায়দগী কাঙ্জুল মুৎখিগনি।

ঙসি মায়োক্লরিবা শেল থুমগী অরুবা ফীভমসি ওইরকখিবগী খ্বাইদগী চাওবা মরমদি ইন্দিয়া অমদি মণিপুরগী মরক্তা লৈরিবা পোলিটিক্সকী মরী অসিনি। ময়োল লমগী অতোংবদা য়ূম্ফম ওইবা, মতাই লমশিংবু ময়োন লমদা কা হেন্না তাংজহন্নবা ফীভম অমা শেম্নবা হোৎনবদা য়ূম্ফম ওইদুনা শেম্বা শেল থুমগী থৌশিলনা ঐখোয়বু ঙসিগী শেল থুমগী ফীভমসিদা য়ৌহল্লকখিবনি। অসিগুল্লবা থৌশিলসিনা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোনগী ফীভমবু মচেৎ মচেৎ তানা থুগাইবিরকখিবনি হায়রি।

ঙসি ২১শুবা চহী চাগী হৌরকপা তাঙ্ককশিংদা মালেমগী লৈবাক কয়াগী শেল থুমগী লম্দা অঙকপা ফংনা চাওখৎনখ্রে। মতমসিদা মণিপুরগী শেন্মীৎলোনদি লৌউ-শিংউবদা য়ূম্ফম ওইবা এগ্রেরিয়ন ইকোনোমিগী থাক্তুদগী কাখৎপা ঙমদনা লৈরি। লৌউ-শিংউ অমদি ফিশা লোনশানা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোনগী য়াংলেন শরূ ওইরি। অদুবু হেন্না লাইবক থিবদি অসিগুম্বা শেন্মীৎলোন্দা খম থেংনা মীপান তাংলবা ফীভমসিদা লৈবাকসিগী শেন্মীৎলোনগী য়ূম্ফমগী শরুক অমা ওইরিবা মীওই কয়াগী তাংজফম ওইরিবা ইয়োং ফিগী লম্দা মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা ফিশিংনা পীরক্লিবা চৈথেং অসিনি। লমদমসিগী ইয়োংদা শাজবা ফি, খুদৈ, ফনেক, কোকসেৎ, লেংয়ান অমদি ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

পোজিটিভ কেস ৩ থেংনবদগী এক্টিভ কেস ৬ শুরে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৯দা কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেস অমত্তা থেংনখিদ্রবসু মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ২০ অমসুং ২১দা পোজিটিভ কেস ১/১ থেংনরবা মতুং ঙসি হুমনি শুরকপদসু পোজিটিভ কেস ৩ থেংনখিবগা লোয়নননা ঙরাং ফাওবদা এক্টিভ কেসকী মশীং ৪ লৈরম্বা অদুদগী হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকপা মীওই ১ নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রবা মতুং হৌজিক অপূনবা এক্টিভ কেসকী মশীং ৬ শুরে হায়রি।

ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ৩ অদুগী মনুংদা ২না নুপানি অদুগা ১না নুপীনি অদুবু মখোয় ৩ মক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ঙাক্তনি হায়রি। অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ১১গী সেম্পলশিংদা বিষ্ণুপুর ১, চান্দেল ১, চুড়াচান্দপুর ৮, ইম্ফাল ইষ্ট ৭, ...মখা লামায় ৩ কলম ২

সিভিল অমসুং পুলিসকী ওফিসর ৮না পুগদবা ফমশিং হোংদোক্লহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) : দি পিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি অনীনা ঙরাং থোকখিবা তোঙান তোঙানবা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না সিভিল অমসুং পুলিসকী ওফিসর ৮ না পুগদবা ফমশিং হোংদোক্লহনখ্রে।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না সোসল ৱেলফেয়র/মাহুদ অমসুং ষ্টেট হেল্থ এজেন্সিগী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইরকখিবা লালতানপুই ভানচোংদা ৱাক্স হাপচিনখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী দি সীগী এ দি সী অমসুং দেপ্যুটি দিরেক্টর (আর দি এন্দ পি আর) ওইরকখিবা অবুজম রোমেননা দেপ্যুটি দিরেক্টর (আর দি এন্দ পি আর) খক্তমক পুরগনি। দেপ্যুটি দিরেক্টর (টুরিজম) এ রোহিনিনা থানলোন অমসুং মুৱলনামগী এস দি ও/বি দি ওগী থবক পুরগনি অদুগা মফম অনীসিগী এস দি ও অমসুং বি দি ও ওইরকখিবা সলাম জোতিননা দেপ্যুটি দিরেক্টর (টুরিজম) গী থবক পুরগনি হায়রি। অদুগা এ দি জি পি (এ পি) অমসুং এম পি ঐচ সীগী মেনেজিং দিরেক্টর ওইরকখিবা খৃষ্টোফর দোঙেলদা আর্ম পুলিস লৌথোক্লগা প্রিজন্স ওইনা পুরগনি। এ দি জি পি (এল ও) অর্বিন্দ কুমারনা এ দি জি পি (ত্রেনিং) গী থবক পুরগনি। এ দি জি (ঐচ আর/আর টি আই/ঐচ জি) অমসুং এ দি জি পি (মোদর্নাইজেসন) পুরকখিবা লুফেং কাইলুননা এ দি জি পি (আর্ম পুলিস) কী থবকসু অহেনবা ওইনা পুরগনি। অদুগা এ দি জি পি (ত্রেনিং) পুরম্বগা লোয়নননা এ দি জি পি (এল ও) গী থবকসু য়েংশিল্লকখিবা ক্লে খোংসাইনা এ দি জি পি (এল এন্দ ও) ওইবগা লোয়নননা অর্বিন্দ কুমারনা ছুটিদা লৈরিঙৈদা এ দি জি পি (ত্রেনিং) গী থকসু পুরগনি হায়রি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫